HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

হুইয়েন লানপাউ

গ্রেটর ইম্ফালদা পুং ২৪ মথৌ তৌরিবা ফ্রন্টলাইন ৱার্করশিং মরু ওইনা ভি দি এফ পর্সনেলশিংদা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ভি দি এফ ৱেলফেয়র এসোসিএসন্না সেনিটাইজর, মাস্কনচিংবা য়েন্থোকখিবা

কোভিদ-১৯ লান্থেংগী থৌশিল চেকশিনমীন্নসি
☛ লামায় ২

ওজাশিংবুসু ফ্রন্টলাইন ৱার্কর ওইনা লাউথোকপীয়ু
☛ লামায় ৩

জোব কার্দ হোল্ডরশিংদা অৱাবা পীরিবা লৈঙাক্কী থৌশিল লাল্লে হায়জগদবনি
☛ লামায় ৫

ইন্দিয়াদা পুং ২৪গী মনুংদা অনৌবা কেস লাখ ৩.২৯ থেংনখ্রে
☛ লামায় ৬

হৈরোক এসেম্বলি কন্সটিট্যুএন্সিগী সোসল ৱার্কর এন দিটেননা কন্টেনমেন্ট জোনগী মীয়াম অমসুং সিখোং মুসলিম খুলগী খুঞ্জাশিংদা চান-থক্লবা পোৎলমশিং অমদি অথুম-অহাওশিং য়েন্থোকখিবা

Vol. 45, Issue No. 046 | য়ুমশকৈশা, কালেনগী নোংমা পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO | Wednesday, May 12, 2021, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50

শামুরাইলাৎপম সৈত্যভমা লৈখিদ্রে

ইম্ফাল, মে ১১ (ঐচএনএস):
মণিপুর ষ্টেটরিমেন্স দিভেলপমেন্ট কোর্পোরেসনগী চেয়রপর্সন অমসুং রাজর্ষি ভৈগ্যচন্দ্র কলচরেল ফাউন্দেসন মণিপুরগী প্রসিদেন্ট ওইরিবী শগোলবন্দ তেরা কৈথেলদগী লৈখিদ্রবা সহিদ মোধুমঙ্গলগী লোয়নবী শামুরাইলাৎপম সৈত্যভমা ঙসি নোংঙাল্লমদাইপুং ৩.৩০ রোম তারকপদা রিমসতা লৈখিদ্রে।
মহাক এপ্রিল ১৬তা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবদগী রাজ মেদিসিটিদা লায়েংলগা থা অসিগী ১দা নেগেটিভ ওইরকখিবনি। অদুবু ওক্সিজেনগী চাং নেম্বদগী রিমসতা লায়েংলকখিবনি।

ইকায় খুম্নবা মাঙহনবদা চেন্নবা অহুম চৈরাক পীয়ু

ইম্ফাল, মে ১১ (ঐচএনএস):
থা অসিগী ৯দা কছারগী মোধুতিল্লা খুলদগী চহী ৩০ রোম শুরবী মপুরোয়বা লৈখিদ্রবী মীতৈ নুপী অমগী ইকায় খুম্নবা মাঙহনবীখিবদা চেন্নৈ হায়দুনা পুলিস কষ্টদিদা লৈরিবা মীওই অহুম মরালগী মতুংইন্না চপ চাবা চৈরাক পীগদবনি হায়না ওল অসাম মণিপুরী ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ননা কছারগী দি সী অমসুং এস পিদা মেমোরেন্দম পীশিনখ্রে হায়রি।

মণিপুর দ্রাইভরস এসোসিএসনন অপীল তৌরক্লি

ইম্ফাল, মে ১১ (ঐচএনএস):
লৈঙাক্লা থা অসিগী ৭তা থোকখিবা ওর্দরদা থল্লকখিবা অথিংবশিং অসিনা 'গুদস ভেহিকল' শিংদদি কোমথোক্কনি হায়খ্রবসু মপান্দগী চান-থক্লবা পুশিল্লক্লিবা দ্রাইভরশিংদগী রুলগী ৱাংমদা টি আর কক্তুনা শেল লৌবা, টি আর কক্তনসু শেল লৌবগী থৌওংশিং চথরক্লিবা অসি তৌবীগনু হায়না মণিপুর দ্রাইভরস এসোসিএসন (কৈশাম্পাৎ লৈমজম লৈকায়) গী জেনরেল সেক্রেটরি সঞ্জয় ক্ষেত্রিময়ুমনা মরী লৈনবা পুলিস পর্সনেলশিংদা অপীল তৌরক্লি। লৈঙাক্লসু গুদস আইটেম হায়বসি করি করি ওইগদবনো খঙহনবীয়ু হায়রি।

অ ঈং-অশাগী পাউ
খ্বাইদগী শাবা ৩৪.৮৪ °C
খ্বাইদগী ঈংবা ১২.৯৮ °C
মণিপুরগী নোংজ্বগী চাং : ৫.৮১
নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৪.৩২
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৫.৪৯

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩ দা

HL Poll
Q: Covid-19 Positive oibagi mashing yamna thengnaribasi meeyamna wakhal tadabadagi oigadouribra?
POLL CLOSES AT MIDNIGHT
Yes ☐ No ☐
Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu
NGARANG GI RESULT
Q: High Court of Manipurna Covid patient phamsennari-basing chatthok chatsin yahallu hairaklibasi achumba direction oiroidra?
Yes 89% No 11%

অস! লোইরেহে!
- মৈ লাক্লে কোভিদননি, পোৎ তাঙলে কোভিদননি, শেল চারে কোভিদননি।

- ৱা-ৱা-ৱা, য়াম্না ফজে কবিজাউগী শৈরেং।

পুং ২৪গী মনুংদা খ্বাইদগী য়াম্না ২০ শিরে
পোজিটিভ কেস ৫৯২ থেংনখ্রে

ইম্ফাল, মে ১১ (ঐচএনএস):
মণিপুরনা কোভিদ-১৯ পেন্দমিক মায়োক্লরকখিবদগী হৌজিক্কী মসিগী সেকেন্দ ৱেভ লানশিল্লকপদগী হেন্না খুদোংথিহল্লক্লিবা ফীভম অসিগী মনুং চন্না ইহান হানবা থৌদোক ওইনা হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা খ্বাইদগী য়াম্না মীওই ২০ শিরে অদুগা পোজিটিভ ওইবা কেস মশীং ৫৯২ থেংনখ্রে।
ঙসি নুমিদাংৱাইরম লৈঙাক্কী কোভিদ-১৯ কম্মন কন্ট্রোল রুমদগী থোরকখিবা চেরোল অমনা হায়বদা হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা পুন্না মীওই ২০ লৈখিদ্রে হায়রি। লৈখিদ্রবা মীওইশিং অদুদি চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টতগী মশাগী চহী৭৯শুরবী নুপী ১, ইম্ফাল ইষ্টতগী চহী ৫৫শুরবী নুপী ১, ইম্ফাল ৱেষ্টতগী চহী ৫৬শুরবা নুপা ১, ইম্ফাল ইষ্টতগী চহী ৫৫ অমসুং ৩৫শুরবী নুপী ২, ককচীংদগী চহী ৭০শুরবা নুপা ১ অমসুং চহী ৮৫শুরবী নুপী ১, ইম্ফাল ইষ্টতগী চহী ৫৪শুরবা নুপা ১, থৌবালদগী চহী ৬১শুরবা নুপা ১, ইম্ফাল ইষ্টতগী চহী ৪৮শুরবা নুপা ১, চান্দেলদগী চহী ৫৭শুরবী নুপী ১, ইম্ফাল ইষ্টতগী চহী ৫৪ অমসুং ৫৩শুরবা নুপা ২, থৌবালদগী চহী ৫১শুরবী নুপী ১, ইম্ফাল ৱেষ্টতগী চহী ৫৫শুরবা নুপা ১, কামজোংদগী চহী ৫৫শুরবা নুপা ১, ইম্ফাল ৱেষ্টতগী চহী ৭১শুরবী নুপী ১, ইম্ফাল ইষ্টতগী চহী ৭৭শুরবা নুপা ১, থৌবালদগী চহী ৫১শুরবা নুপা ১ অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্টতগী মশাগী চহী ৫৮শুরবা নুপা ১ নি হায়রি।
হায়রিবা ঙসিগী ওইনা খ্বাইদগী মশীং য়াম্না লৈখিদবা মীওইশিং অসি চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালদা ১, শিজ হোস্পিটালদা ৪, ককচীংগী কোভিদ ক্যের সেন্টরদা ২, রাজ মেদিসিটিদা ১, জেনিমসতা ৫ অমসুং রিমসতা ৭ লৈখিদবনি হায়রি।
পুং ২৪গী মনুংদা লৈখিদবা মীওই ২০ অসি থারগা হৌজিক ফাওবদা ষ্টেট অসিদা কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা লৈখিদবা অপূনবা মীওইশিংগী... মখা লামায় ৩ কলম ৬

গ্রেটর ইম্ফালগী য়াওনা বেঙ্ক অমসুং এ টি এম বুথশিং থোঙ লোনশিন্নখিবদগী মীয়াম কোক্তা খূৎ হাপ্লে

বিজয় লাইশ্রম

ইম্ফাল, মে ১১ (ঐচএনএস):
কোভিদ-১৯ সেকেন্দ ৱেভকী খম থেংবা চৈথেংশিং মায়োক্লরকপদগী মণিপুর লৈঙাক্লা তঙাইফদনা মীয়াম্বু লায়না লাইচৎ অসিদগী কলহৌনবগীদমক লৌখৎলক্লিবা কন্টেনমেন্ট জোন অমসুং কর্ফিয়ু অথিংবনা মরম ওইরদুনা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী বেঙ্কশিং অকক্লবা পুং খরা হাংবগী অয়াবা পীরবসু পাক্তক্ল না থোঙ লোনশিন্নখিবা অমসুং ফীভম অসিগা মান্ননা গ্রেটর ইম্ফাল মনুংদা লৈরিবা ওটোমেটেদ ত্রেল্লর মেছিন (এ টি এম) বুথশিংসু থোঙ লোনশিন্নখিবা অমদি লোন্দবা খরা য়াওরগসু শেল য়াওদবনা মরম ওইদুনা মীয়াম পুম্নমক মকোক্তা মখূৎ হাপ্লরে।
মণিপুরদা লৈরিবা নেসনেলাইজ নৎত্রগা ষ্টেটনা চলাইবা বেঙ্কশিং অমসুং হায়রিবা বেঙ্কশিং অসিগী এ টি এম বুথশিংদা ওইরক্লিবা ফীভম অসিগী মতাংদা পাউচে অসিনা তোঙান তোঙানবা বেঙ্কশিং অমদি এ টি এম বুথশিংদা কোয়না

চৎতুনা য়েংশিল্লুবদা ফংলকখিবা রিপোর্টশিংগী মতুংইন্না এ টি এম বুথ অয়াম্বা থোঙ লোল্লম্বা থেংনখি। অদুগা থোঙ লোন্দনা হাংদুনা লৈরম্বা খরদনা শেল য়াওরমখিদে। বেঙ্ক অমসুং এ টি এম বুথশিংগী ওইরিবা ফীভম অসিদা কন্টেনমেন্ট জোন অমসুং কর্ফিয়ুগী অথিংবনা য়োমশিল্লবা মীচম মীয়াম্না মখোয়গী তঙাইফদবা শেলগী মথৌ তারকপদা বেঙ্ক নৎত্রগা এ টি এম বুথশিংদগী লৌথোকপগী খুদোংচাবা ফংলক্তবনা খোইরাং খোইশাওনবা অমসুং পেন্দবা কয়া ফোঙদোক্লরকখি।
পাউচে অসিগী মায়কৈদগী কোয়না চৎলুবদা ঙসি নুংথিল ইম্ফালগী মহাত্মা গান্ধী এভেন্যুদা লৈবা ষ্টেট বেঙ্ক অফ ইন্দিয়া (এস বি আই), ইম্ফাল ব্রাঞ্চকী এ টি এম বুথ অমখক্তি হাংদুনা লৈরম্বগা লোয়নননা শেল য়াওরম্বা থেংনখি। অদুবু গ্রেটর ইম্ফালগী য়াওনা তম্পাক্কী দিষ্ট্রিক্টশিংদা কর্ফিয়ুগী অথিংবা থমজিনখিবনা মরম ওইদুনা মফমশিং অদুদা হাংদুনা লৈগদবা বেঙ্ক অমসুং এ টি এম বুথশিং থোঙ লোনশিন্নখিবদগী মফম অসিদা কোভিদ-১৯ মায়োক্ল নবগীদমক থল্লক্লিবা অথিংবশিং নমথেক্তুনা শেল খরদা ওইরবসু লৌথোকহৌনবগীদমক মীওই কয়া য়োমশিল্লম্বা থেংনরকখি।
অদুম ওইনমক হৌজিক লায়না লাইচৎ অসিদা নোংম-নোংমগী পোজিটিভ ওইরবা মীওইশিংগী মশীং অয়াম্বা চাংদা হেনগৎলকপা অমসুং মীওই কয়াগী পুন্সি লেপ্তুনা মাঙহল্লকপা অসিনা মরম ওইরদুনা এ টি এম বুথ অসিদা থোমজিল্লকখিবা মীওই পুম্নমক মশীং য়াল্লগসু তঙাইফদনা ঙাকফম থোকপা কোভিদ-১৯গী প্রোটোকোল/এস ও পিশিং ঙাক্লরকপনা মীয়াম অদুগী মরক্তগী এ টি এম বুথ অসিদগী শেল লৌথোকপদসু য়ামদ্রবদা মী অমমমনা পুং ২/২গী মথক্তা চঙই।
শেল য়াওবা এ টি এম বুথ অমখক্তমক ওইশিল্লক্লবা এস বি আইগী বুথ অসিদা শেল খরদং ওইরবসু লৌথোক্লবা লাকখিবী পাৎশোইদগী নুপী অমনা ফোঙদোরকখিবদা মহাক অমসুং মহাক্কী ইমুংগী মীওইশিং লৈঙাক্লা কোভিদ-১৯গী সেকেন্দ ৱেভকী মায়োক্তা লৌখৎলক্লিবা চেকশিন থৌরাং অসি ঙাক্তুনা লৈরকখিবনি। মহাক ... মখা লামায় ৩ কলম ৬

হায় কোর্টনা ভিজ্যুএল হেন্দিকেপ পর্সন অমা থা অমগী মনুংদা মণিপুরী সবজেক্টকী লেকচরর হাপ্নবা ওর্দর পীখ্রে

ইম্ফাল, মে ১১ (ঐচএনএস):
মণিপুর লৈঙাক্কী স্কুল এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্টকী কম্মিস্নর/প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি অমসুং লোইশঙ অসিগী দিরেক্টর অমদি অন্দর সেক্রেটরি (এদ্যুকেসন-এস) গী মথক্তা ব্লাইন্দনেস/লো ভিজনগী মনুং চন্দুনা ভিজ্যুএল্লি হেন্দিকেপ পর্সন (ভি ঐচ পি) ওইরবা মীওই অমনা ফাইল তৌরকখিবা সিভিল রিট পিটিসন অমা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা মমাঙগী কুমজা ২০২০দগী ৱায়েল চথরক্লগা ঙরাং খক্তমক লাউথোকখিবা জজমেন্ট অমসুং ওর্দরদা ফিজিকেল্লি হেন্দিকেপ পর্সন ওইরবা পিটিস্নর অসিবু থা অমগী মনুংদা মণিপুরী সবজেক্টকী লেকচরর ওইনা এপোইন্টমেন্ট পীনবা খঙহনখ্রে।
কোর্ট অসিদা সিভিল রিট পিটিসন ফাইল তৌদুনা ৱাকৎলকখিবা পিটিস্নর

অদুগী মমিং থোকচোম নিধুবোন কৌই। মশাগী চহী ২৯ রোম শুরে। ইম্ফাল ৱেষ্টকী লমশাং পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা কদাংবন্দ পার্ট টুদগী টি ঐচ নিমাইগী মচানুপানি।
মহাক্কী পিটিসন অসিগী নম্বরনা দব্লিয়ু পি (সী)- ১১৪ ওফ ২০২০নি। পিটিসন অসি মণিপুর লৈঙাক্কী কম্মিস্নর/প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি (এদ্যুকেসন-এস), লোইশঙ অসিগী দিরেক্টর অমসুং অন্দর সেক্রেটরিবু রেসপোন্দেন্টশিং ওইনা কোনশিল্লগা মখোয়গী মথক্তা ফাইল তৌরকখিবনি।
পিটিস্নরনা কোর্টতা ৱাকৎলিবনা মণিপুর লৈঙাক্কী স্কুল এদ্যুকেসনগী দিরেক্টরনা জুলাই ৬, ২০১৮দা নোটিফিকেসন অমা থোকখি। নোটিফিকেসন অদুদা লোইশঙ অসিগী মখাদা তোঙান তোঙানবা সবজেক্টশিংগী লেকচরর ৬৮৮ লৌগনি হায়বগা লোয়নননা পোষ্ট অসিগীদমক ইলিজিবল কেন্দিদেটশিংনা মখোয়গী এপ্লিকেসনশিং ফাইল তৌরকপা য়াগনি হায়খি।
নোটিফিকেসন অসিগী মতুংইন্না লেকচররগী পোষ্ট ৬৮৮ অসি রিটিন টেষ্ট অমসুং পর্সনল ইন্টরভিয়ুগী মথংশিংনা চাদা ৮০ অমসুং ২০গী ৱেটেজগী মতুংইন্না লৌগদবনি হায়না খঙহনখিবগা লোয়নননা তোঙান তোঙানবা সবজেক্টশিং অসিগী লৌগদৌরিবা লেকচররগী পোষ্ট ৬৮৮ অসিগী মনুংদা দিফরেন্টলি এবল পর্সনশিংগী ওইনা লৈরিবা রুলগী মতুংইন্না রিজার্ভেসন লৈগনি হায়বা ৱাফমসু ফোঙদোকখি হায়রি।
হায়রিবা রিজার্ভেসন অসিনা রাইট্‌স ওফ পর্সন্স ৱিথ দিসএবিলিটিজ এক্ট, ... মখা লামায় ৩ কলম ২

শিবগী চাং লেপ্তুনা হেনগৎলক্লিবা করিগীনো হায়বসি লৈঙাক্লা থীদোকপীয়ু: জয়কিষন

ইম্ফাল, মে ১১ (ঐচএনএস): মণিপুরদা কোভিদ-১৯ লায়না-লাইচৎনা মরম ওইরগা শিবগী চাং হেনগৎলক্লিবা অসি করিগীনো হায়বদু লৈঙাক্লা থীদোকপীয়ু হায়না থাংমৈবন্দ এ সীগী এম এল এ খুমুকচম জয়কি-ষননা ফোঙদোরক্লি।
ষ্টেট অসিদা হৌজিক ওইরক্লিবা কোভিদকী ফিভমগী মতাংদা ৱাফম কয়া থল্লদুনা এম এল এ জয়কিষননা হায়খি, কোভিদ-১৯গী অহানবা ৱেভ লাকখিবা মতমদা লৈকায় লৈকায়দা পোজিটিভ ওইবা মীওই য়াওরক্লে হায়বা মতমদা মরী লৈনবা ওথোরিটিনা হোম আইসোলেসন তৌবদা খুদোংচাবা মীওইশিং নক্তনা অতোপ্পা অনাবশিংদি পুং ১/২গী মনুংদা ময়ূমদগী লৌখক্তুনা কোভিদ ক্যের সেন্টরশিংদা পুখৎলগা লায়েংখিবনি। অদুবু হন্দক্কী অনীশুবা ৱেভ অসিদদি পোজিটিভ ওইরবশিংবু কোভিদ ক্যের সেন্টরদা পুখৎপীয়ু হায়বদা অদুক্কী মতিক ৱারে।
লৈঙাক্লা অনাবশিং এদমিসন তৌবগী কম্মিটি অমা শেল্লে। কম্মিটি অসিগী অয়াবা য়াওদ্রগদি অনাবা অদু এদমিসন তৌবগী রিফর তৌবা য়াদ্রে। ঙরাং থাংমৈবন্দ এ সীগী ওইনা অনাবা ৭ পিকঅপ তৌখ্রবা মতুংদা ফোর্মেলিটি ৱাৎলি হায়দুনা পুং ৫/৬ ঙাইদুনা লৈহনবা থেংনরে। অনাবশিংবু অথুবা মতমদা লায়েংবা হৌবগী মহুত্তা মতম শাংনা ঙাইহনবগী মতৌ অসিদি অফবা নত্তে। হৌজিক অসি ত্রায়েলগী মতম নত্তে। অরৈবা রিছোসশিং শীজিন্নদুনা লায়না-লাইচৎ অসিবু থেংনগদবা মতম্নি। লায়না লাইচৎ অসিনা মরম ওইরগা অশি-অনা থোকখ্রবা ইমুংশিংদা মতৌ করম্না ইমুং অদুগী মীওইশিং অদু শিখিবনো হায়বদু অমুক্তা হংবীয়ু। অচৌ পীশক য়েংদনা অনাবশিংবু এদমিট তৌবীয়ু। শঙ্গ য়েংলগা ফমুং পীদুনা লৈরবদি য়াররোই।
এম এল এ অমা ওইরুবনা কম্মিটি অসিবু লুচিংবশিংদা ফোন তৌরুবদা পায়খৎলকই। অদুবু ওফিসলশিং অসি কন্টেক্ট তৌনবা হোৎনবদা মতম কুইনা চঙই। মীচম-মীয়াম্না ওফিসলশিং অসিদা কোল তৌবদদি পায়খৎলমগদ্রা হায়বসিসু হংনিংঙাই ওইরি।
লন্নাই হোস্পিটালশিংদা লায়েংবা ঙমদবা কয়া অমা য়াওবনা লৈঙাক্কী হোস্পিটালশিংদা লায়েংনবা হোৎনরকপা মতমদা মতম চানা লায়েংবা ফংদবদগী লৈখিদবা কয়া অমসু য়াওরে। নোংমদা মীওই কয়া অমা শিরক্লি। মরম অসিনা এদমিসন কম্মিটি অসি ফেল ওইরে হায়নিংই।
মহাক্লা মখা তানা হায়খি, মণিপুর লৈঙাক্লা হৌজিক কন্ট্রেক্টরশিংগী চথখিবগা ... মখা লামায় ৩ কলম ৩

মমা ওইরগদবী ১ চিংননীংঙাই ওইনা শিরম্বদগী য়ুম থুগায়খ্রে

ইম্ফাল, মে ১১ (ঐচএনএস) :
মশা-মশা য়ানদুনা চেল্লবি নুপী অমা চিংননীংঙাই ওইবা মওংদা থৌরি য়ান্দুনা শিরম্বগী ৱাহৌদা খোইশাউনরবা মীয়াম হৌরক্তুনা নুপা ময়ুমগী য়ুম অমাঙ-অতা থোকহনখ্রে। লৈখিদ্রবী নুপী অদুগী মপুরোইবা এম দি শহরুকখান এলাইস সবির (২৬) পুলিসনা ফারে।
থৌদোক অসি ময়াং ইম্ফাল পুলিস ষ্টেসনগী মনুংচন্না লৈবা সম্থেল মমাং লৈকায়দা থোকখিবনি। থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবী মৌ নহা অদুগী মমিংনা ফিশাবম নিঙোল রুহানা (১৯) কোই। ঙসি অয়ুক অঙনবদা নুপী অদু নুপা ময়ূমগী মখোয়না লৈরিবা কাদা থৌরি য়াল্লগা শিরম্বনি হায়রি। মীশি অদুগী মতাংদা প্রেসনা ফংবা পাউদা লৈখিদ্রবী রুহানা উচিৱা নাসতাউ অৱাং লৈকায়দা লৈবা এম দি বুরাহুদ্দিনগী মচানুপীনি। রুহানা অমদি এম দি সহরুকখান এলাইস সবির মখোয় অনী মশা-মশা য়ানদুনা চেল্লবা মতুংদা অঙাং ওইমল্লি হায়দুনা মতম খরা ঙাইনদুনা লৈরকখিবনি। ঙরাং অসি এম দি শহরুকখান লাক্লগা রুহানা অসি ময়ূমদগী পুখিবনি হায়রি। ঙসি অয়ুক অঙনবদা রুহানা মখোয়গী কাগী য়ুমগী ... মখা লামায় ৩ কলম ৬

পুলিসনা শোয়খ্রে হায়রকপদগী কোর্টনা কন্দিসন য়াওদনা থাদোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ১১ (ঐচএনএস):
থা অসিগী ৫গী নুংথিল পুং ১ রোম তারকপদা মণিপুর অপদেট কৌবা ফেসবুক একাউন্ট অমদা অতেনবা ভিদিও ফুটেজ অমগা লোয়নননা 'কৌব্রুদা সলাইচাশিংনা উথক্তা থেংলম্বা সলাই তরেৎকী ফিরাল লৌথদুনা লৈনুংদা নমশিনবা ...' হায়বনচিংবা ৱাহৈশিং অপলোদ তৌবা থেংনরে হায়বগা লোয়নননা ৱাহৈশিং অসিনা ফুরুপ মশেলগী মরক্তা নুংশিনদবা থোকহল্লগনি হায়না ইম্ফাল পুলিস ষ্টেসনগী ওফিসর ইন-চার্জ ইন্সপেক্টর এন ইঙোচানা কমপ্লেনেন্ট ওইদুনা ফাইল তৌরকখিবা

রিপোর্ট অমগী মতুংইন্না পুলিস ষ্টেসন অসিনা লৌখৎখিবা কেস অমগী ফাইনেল রিপোর্ট থাগৎলকপদা ... মখা লামায় ৩ কলম ২

হুইয়েন লানপাউ ৱারেং চাংদম্নবা

মালেম শীনবা থুংনা শন্দোরক্লিবা লায়না লাইচৎ কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা মহৈরোয়শিংগী লাইরিক-লাইশু তম্বদা চাওনা চৈথেং পীরি। মরম অসিনা ***"মহৈরোয়শিংবু এগজামিনেসন তৌদনা মথংগী ক্লাসতা প্রমোসন পীবা"*** হায়বা টোপিক অসিদা মহৈরোয়শিংনা ইশা-ইশাগী ৱাখল্লোন্দা য়াল্লবদা ৱাহৈ ৫০০ ইরগা 'হুইয়েন লানপাউ'গী ঈ-মেল আই দি **hueiyenwarengchangdamnba@gmail.com** অসিদা থাবীরকউ।
ৱারেং চাংদম্নবা অসিদা ক্লাস নাইনদগীনা ত্বেল্ভ ফাওবগী মহৈরোয়শিং শরুক য়াবা য়াগনি। মহৈরোয়শিংনা থাবীরকপদা ইশা-ইশাগী মিং, পাসপোর্ট ফোটো ১, স্কুলগী মিং, ক্লাস অমদি কন্টেক্ট নম্বর লোয়নবীরকউ। মহৈরোয়শিংগী অইবা ৱাখল্লোন অদু চৎলিবা মে ১৫ ফাওবগী মনুংদা থাবীরকউ। খ্বাইদগী ফজবা ৱাখল্লোন্দা ইরকপা মহৈরোয়শিংগী মনুংদগী অহুম খনগৎলগা মথংশিংনা লুপা ৫০০০, ৩০০০ অমসুং ২০০০গী শেলগী মনাশিং ফর্ষ্ট, সেকেন্দ অমদি থর্দ তারবশিংদা পীজগনি। ৱারেং ইবীরকপা মতমদা মহৈরোয়শিংনা খুদোংচানবগীদমক মীতৈলোল (মীতৈ ময়েক), রোমান স্ক্রিপ্ট অমদি ইংলিশতা ইবীরকপসু য়াগনি।
- এদিটর, হুইয়েন লানপাউ

এম এল এ মেঘচন্দ্রনা ফাইল তৌরকপা ক্রিমিনেল পিটিসন
অর্গ্যুমেন্ট তৌরক্তুবদি হায় কোর্টনা ওর্দর রিজার্ভ তৌরগনি খঙহনখ্রে

ইম্ফাল, মে ১১ (ঐচএনএস):
কুমজা ২০১৯দা পাঙথোকখিবা লোক সভা ইলেক্সনগী ভোট থাদনখিবা এপ্রিল ১৮, ২০১৯দা ৱাঙ্খেম এসেম্বলি কন্সটিট্যুএন্সিগী কোংগ্রেস এম এল এ কৈশাম মেঘচন্দ্রনা মীখল অদুগী পোল্লিং ষ্টেসন অমদা মথৌ পাঙথোক্লিবা মণিপুর পুলিসকী হেদ কন্সটেবল অমদা কিহন খংহনবা য়াওনা চৈ থাংবগী থৌওংশিং চথখি হায়বগী চার্জদা এম এল এ অসিগী মথক্তা পুলিসনা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎপা কেস অমবু হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা

চেলেঞ্জ তৌরকখিবা ক্রিমিনেল পিটিসন অমগী মতাংদা হায় কোর্টনা পিটিসন অসিগী রেসপোন্দেন্টশিংগী মায়কৈদগী তৌরকফম থোকপা অর্গ্যুমেন্টশিং সবমিট তৌরক্তুগদি কেস অসিগী ওর্দর লাউথোক্লবা জজমেন্ট রিজার্ভ তৌরগনি হায়খ্রে।
এম এল এ কে মেঘচন্দ্রনা পিটিস্নর ওইদুনা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা ফাইল তৌরকখিবা ক্রিমিনেল পিটিসন অদুগী নম্বর ৩৬ ওফ ২০১৯নি। মহাক্কী ক্রিমিনেল পিটিসন অসিগী রেসপোন্দেন্টশিংনা মণিপুর লৈঙাক অমসুং মসিগী মকোক থোংবা ওফিসল ৬নি। পিটিসন অসিদা এম এল এ অসিনা মহাক্কী মথক্তা পুলিসনা চার্জ তৌরদুনা লৌখৎখিবা কেস অদুবু চেলেঞ্জ তৌরকখিবনি।
ক্রিমিনেল পিটিসন অসি হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা লৌখৎলগা কোর্ট অসিগী জষ্টিস এম ভি মুরালিদরনগী বেঞ্চনা মসিগী ৱায়েল থেঙ্খাং নাইনা চথরকখিবনি। লোয়নননা হৌজিক ফাওবগী ওইনা ইকোন কোন্না মেট্রর অসি মমাঙ থাগী ১৭তা বেঞ্চ অসিনা লৌখৎতুনা খন্নখি। নুমিৎ অদুদা পিটিস্নরগী মায়কৈদা সিনিয়র কাউন্সেল বি পি শাহুনা লেপখি। অদুগা রেসপোন্দেন্টশিংগী মায়কৈদনা এদিসনেল এদভোকেট জেনরেল লেনিন হিজমগী জুনিয়র কাউন্সেল ... মখা লামায় ৩ কলম ২

LOAN AVAILABLE
VEHICLE LOAN
SERVICE LOAN
PENSION LOAN
GOLD MORTGAGE
- No Guarantor required
- One Day Delivery

Area Coverage:
Imphal East | Imphal West | Bishnupur
IMPHAL FINANCE CO-OP. THRIFT AND CREDIT SOCIETY LTD.
H.O.: Loklaobung
B.O.: MG Avenue, Paona Bazar & Bishnupur Bazar
HL-B/6949/27/4-25/5